# অমত্তসু ‘কেরেদা-নৌরেদা’ হায়হল্লু
## মথংগী মীখলদি থোংজিল য়ৌশিল্লক্লবনি

মণিপুরগী অপূনবা মীহুৎশিংগী মশিংসি ৬০নি। মশীংসি জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদগী লৈরক্লবনি। হৌজিক লৈরিবসিনা ৫৯নি। মমাঙ চহী ২০২৪ লোইশিল্লকপদা ‘এন কায়শি’ লৈখিদবদগী ৫৯ খক্তা ঙাইরকপনি। মহাক লৈখিদ্রবসু লৈহৌরিবশিংসিগী মনুংদা পোকচবী মমা-মপানা, মচিন-মনাওনা অমসুং হকথেংনবা মীওইশিংনা নুংশিবা অঙাংদা নুংশিনা পমদুনা ‘তিং-তিং চাউরো, থবিনা কারিঙৈ কাহৌরো, নুমিৎনা ৱাংলিঙৈ ৱাংহৌরো, ইপা মচুম তারো, ঈপু মচুম তারো’ হায়দুনা খজাই লেংওন চূপ্তুনা ‘কেরেদা-নৌরেদা’ হায়না শৈথাবগুম মীয়াম্না হায়বা, হায়নীংবা, হায়নীংলক্কদবা অমত্তা য়াওদ্রিবসিবু করিনো? হোয়, মণিপুরবু মচেৎ তাহল্লগা ফৈজে চিংথোক্কে তেমশিংনরক্লিবা মখোয় ১০দুনদি নুংশিখ্রবা অঙাং হায়দুবুদি ওইরক্লরোইনে। ওইরক্কে হায়রবদি মখোয়না থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাংসি লাল্লে, ওন্নরে, চুমদ্রে হায়দুনা নহান্না খোঙফম হু লাউনা হন্দোরকপা ময়ারবনি। অদুবু হৌজিক চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা মচি লেংলক্ত্রবনিনা মখোয়সু থারগুমসিনে। লৈরিবা ৫৯দগী ১০ খায়দোকখ্রগা ৪৯দি য়ং-য়ং লাওনা লৈরিবনি। মসিগী মনুংদা অমুক তুংগী-মাঙগী ৱাফম নত্তনা এন দি এগী মপাং নত্তবা, পার্টি ময়ামগী চোইখোম অপূনলূপসিগা য়ানদবা, ঈশিংগা-থাওগা ওইরিবা মখোয় ৫ খায়দোকখ্রবসু ৪৪দি লৈরি। মসিগী মনুংদা মীয়াম্না পোদুনা-পমদুনা লৌগদবা অমসুং করিদা শোয়খিগদগে হায়দুনা চেকু-চন্না লোয়নবীবা অমত্তা ওইরবসু য়াওদবদৌনা তৌরিসিবু করিগীনো হায়বনিদা? ৱাফমসি লান্দবা অমসুং পুমচুম চুম্বা ‘ৱাচুম’দি ওইগনি থাজদে। মরমদি লানসিগী মৈশা মায়োক্লরকপদগী খাঙবা ঙল্লক্ত্রবা মীয়াম্না মখোয়দা ওনশিন্দুনা রিজাইন তৌরো, ফম থাদোক্লো, তোক্লো হায়বগী অকনবা খোঙজং চঙশিন্নরকখিবদা মখোয়গীনি হায়বা মীওই খুজোক খরনা থৌওইনা চোংথোরক্তুনা মান্দব খল্লগা মীফম পাঙথোকখ্রিবনি। ফম থাদোকপা মতম চাদ্রি অমসুং মখোয় অতৈ হান্না থাদোকহল্লকখো অদুগা মতুং ইন্নহনগে হায়বগী ৱারেপ লৌনখ্রিবনি। চুমসু চুম্মীনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকখ্রিবসি থথাদা নত্তে। য়াম-য়ামদবা ভোট লিশীং খরদি ফংলগা ওইরকখ্রিবনি। ভোট ফংনবগীদমক মীখলদা শীজিন্নখিবা ফান-য়াই পূন্ন-য়াইগী য়ামখ্রবা পাম্বৈশিংদুগী মহু-ময়াইশিং ইলেক্সন মতুংদা চমথরক্তুনা ময়েং তারক্লবসু পুমকোক কোকথোকহন্দুনা শিৎ নালহনবা ঙমজদবা খরা লেমহৌবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। লৈজসনু করিসু কায়দে। লৈফম থোকপনি। মথংগী মীখলদা মখোয় খক্তনা মায় পাক্লবা হোৎনবদা চাক-ওই থুমওইদবা ওইরগদবদগী অৱাৎপশিং তাশিন-খোমজিন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরবসু মখোয়-মখোয়গীনি হায়বা নক্লবা কোকপায়-লুপায়নরগদবা খরা লৈনরিবা ঙাক্তনি।

মাগী-মাগী লেঙদবা খরদুনবুদি মখোয়বু লাই মচাদৌনা থাঙ্গৎলগা মখোঙ লৈবাক তাহন্দবমখৈ থম্বা হায়বসিবুদি মহৌশানি। অদুবু মসিদি অকক্লবা মীওই খরগী ৱানি। মণিপুর পূম্বগীদি ওইদে। হায়বদি মীয়ামগীনি হায়বা ৱাহন্থোক্তদি মপূং ফাদে। মরাং-তুরাংহল্লি হায়বনি। মীয়ামগা অমত্তা ওইমিন্নগদবা, মতম পূন্নমক্তা খুজেং-পালোইননা চৎমিন্নগদবদা মখোয়গী ময়ূম-মকৈ অমসুং মরল-মথুমদা মৈনা চুখ্রিবা, মিতম শারগা পুঙ-ঝাল য়ৈরগা পোৎলোইথোকপনচিংবা তৌখ্রিবা ময়ামদুবু করিদগীনো, করিগীনো হংবনি। থৌদোকশিংদু নোংজুথাগী মতমদা মকুম-মথাগী ওইনা ফুইনা হৌরকপা নোং ওইখিবদগী চুথরকপা লোইরগা অতিয়াগসি পুমহাঙ-হাঙলগা পুমশং-শংলব্রা হায়বনি। অশোক-অপন নংগদবা অমসুং অমাঙ-অতা য়াওগদবা খোঙজং-ঈহৌবু মীয়াম্না পাল্লম্বা হৌনদে। মরম অসিনা অনীংবা-অপাম্বা’মা ফংনবা তানবদা ‘দেমোক্রেটিক’ ওইবা খোঙজংগা হায়বা ৱাফমসি চিন্দোন-লৈতোন্দা পক্লরক্লিবনি। অদুবু নীংথিজনা ফজবা ৱাহৈ-খোন্দাদা ‘ইবুংঙো-ইবেম্মা’ হায়বদা য়ারক্তবদগী ‘অখাক-অরাও’গা হায়বা থৌদৌগী ফীভমশিং ওইরকখ্রিবা ঙাক্তনি। অদুবু হৌখ্রবা পূন্নমকসি পোপথোরকই হায়দুনা মীয়ামদা ইনশিনবগী ৱাফম নত্তে। শুন্নমক্তবু মীয়াম্না চহী ৩ লোম মায়োক্লরক্লিবা মৈশাসিদগী ঙাকথোক্তুনা কঞ্জনবা মীহুৎশিংসিনা চুঙ্গোই ওইবিবা ঙল্লব্রা হংবনি। মীহুৎশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা মফমশিংসিদা লৈহল্লক্লিবা আই দি পিশিংগা হকথেংননা উন্নবগী থবকসিদি অসুম্মাইনা লান থোরক্কনি খঙদবনিনা মখোয়গী ‘রুলস ওফ প্রোসিজর অমসুং কন্দক্ট ওফ বিজিনেস’ তগদি মেন্দেটরি ওইনা য়াওরমগদবদি মান্দে। অদুবু ঙসিগী, হৌজিক্কী মণিপুরদা ‘নীদ ওফ দি অৱর’ ওইরিবা খরগী মনুংদা ‘আই দি পি’ শিং অসিনা মাঙজিল থাগদবা অমা ওইরিবনি। অদুবু দিসেম্বর ২৫, ২০২৫দা পাঙথোকখিবা ‘খৃষ্টমাস’ কুম্মৈগী মাঙওইননা দিসেম্বর ২৪, ২০২৫দা এম এল এ অমনা রিলিফ কেম্প অমদা চৎলুবদা কেম্পতুদা লাকপা মহাক্না অহানবা এম এল এনি হায়রকখি!! ৱা লোইরে। রিলিফ কেম্পশিংসি লান হৌরকখিবা মে ৩, ২০২৩দগী লৈরকপসু য়াওরিবনি। অদুবু এম এল এদুগী মমাঙদা মীহুৎ অমত্তা লাকখিদ্রি হায়রকখিবদুদবু মীয়াম অমসুং মীহুৎশিংগী মরক্তা তৎন-থানবা য়াদবা অচেৎপা মরী লৈনরকপগী খুদম ওইগদৌরিব্রা হংবনি। ফীভমসিদদি মীয়াম্না খঞ্জবা মখোয়গী মীহুৎশিংসিবু থৱায়দগীসু হেন্না নুংশিজবা মচা-মশুশিংদা লোয়নবদৌনা লোয়নরিব্রা হংলকপা মশানা তাবনি। ৱাহংসিগী পাউখুম মীয়াম্না, মরু ওইনা আই দি পিশিংনা অমসুং ইকায়খুম্নজরিবা মীহুৎশিংনা পীরক্কদবনি। হৌজিকপুদি ক্কীজ কম্পিটিশনগা পাঙথোকপদৌনা ক্কীজ মাষ্টরগা হাপ্তুনা ৱাহং-পাউখুম তৌনগদবগী মতমদুদি হেন্দোকখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী ৱারু-নুংলুনা খ্বাং কোয়রিবসিদি মীহুৎশিংনা মীয়ামগীদমক চোংথোক্তুনা মপাম্বোম তিংলক্তবদগীনি। হৌজিকসুনি, রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লক্লিবা আই দি পিশিং অমসুং লূপশিংনা মশা-মশাগী ময়ূমদা চৎলিবা থাসিগী মনুংদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়দুনা অকনবা দিমান্দ তৌরক্লিবসিগী মমাঙদা মীহুৎশিংনা মাঙজৌননা লাউখিদ্রবসু খোঙজংসি চংশিনবা হৌরকপদগীদি ‘রিলে মরাঠোন’ দৌনা মীহুৎশিংনা শল্লগা দেল্লী তান্না চেনশিনখিদুনা দিমান্দসি সেন্টরগী লুচিংবশিংগী কোকথক্তা হৈথরুগদবা নৎত্রা? নোংমগী চরা অনী লাংবদা চঙবা থুম-মোরোক, চেঙ-হৱাই, ঙারি-ঙাতাই য়াওনা চাক থোংনবা শীং ফাওবা লুপা ৮৪/৮৪না কোন্ননবা শিল্লিবা আই দি পিশিংসিনা দেল্লী তান্না চৎতুনা মখোয়গী অনীংবা-অপাম্বশিং তকশিল্লুবা ঙমগদৌরিব্রা? দেল্লীদা ইন্সোন কাংদনা চৎলবসু মখোয় মশেলগী মরক্তা মীচং খোম্নবগী, লীদর ওইনীংবগী, লৈঙাক্লোই ওইনীংবা খক্তগী ৱাফমশিং কাংথোক্লুই। আই দি পিশিংগী, ফ্রী মুভমেন্ট য়াদ্রিবসিগী মতাংদা কনা উন্নরগা করম্বা ৱাফম তকশিল্লুবা য়াওখ্রবগে? সেন্টরগী লুচিংবশিংনা ঙসি ফাওবদা মখোঙনা থোংনা লাক্লবসু নৎত্রগনা মীহুৎশিংসি মখোয়গী মনাক দেল্লীদা কৌরবসু মখোয়গী মচিন্দগী থোরক্লিবসি ‘নখোয় নশেল অমত্তা ওইমিন্নৌ’ হায়বা ৱাফমসি খক্তা নৎত্রা? হৌজিক ফাওবা পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইমিন্নবা ফাওবা ঙমজদবা মখোয়না মীয়ামগীনেনা করিবু তৌরমগদোইনো হায়বনি। মথংগী মীখলসু নকশিল্লক্লে, মীয়াম্না পো-পমদুনা নুংশিনা চূপকদবা অমখক্তং ফাওবদি য়াওহন্নীংখ্রেদা!! থোরকখিগদ্রা!!

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭৫৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অনীমকনা খুনথোরকপা মতমদা। মবুধৌ পাখঙবগী চরৈ ফি কৎপবু। নিংথৌ মহাককীদনে হায়না। মতৈমা খমনুং থোংঙাইবা। ৱায়েল চুমবা চনুগা। চরৈবু ফৈজুপ ফিশুপনা। থাবুম অহুম শুনা। মদোম য়াহিপ য়াতাফম। মালেম লৈবাক লৈঙাংনা। নেমবী শিংনাং। ফকলাং লৈবাক ৱাইতৈ। য়ুমশা ইংখোল। ফৈরোই শমবল কোনখানা। কোরৌথককী অঙৌবা লৈচিনগুম। ৱাচেৎ খায়না ইৎ। মিতম লাকনাশা। লীরেন কোরি মচু মানবনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯷꯵꯶)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯀꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯑꯅꯤꯃꯀꯅꯥ ꯈꯨꯅꯊꯣꯔꯀꯄꯥ ꯃꯇꯃꯗꯥ॥ ꯃꯕꯨꯙꯧ ꯄꯥꯈꯪꯕꯒꯤ ꯆꯔꯩ ꯐꯤ ꯀꯠꯄꯕꯨ॥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤꯗꯅꯦ ꯍꯥꯌꯅꯥ॥ ꯃꯇꯩꯃꯥ ꯈꯃꯅꯨꯡ ꯊꯣꯡꯉꯥꯏꯕꯥ॥ ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯆꯨꯃꯕꯥ ꯆꯅꯨꯒꯥ॥ ꯆꯔꯩꯕꯨ ꯐꯩꯖꯨꯞ ꯐꯤꯁꯨꯞꯄꯅꯥ॥ ꯊꯥꯕꯨꯝ ꯑꯍꯨꯝ ꯁꯨꯅꯥ॥ ꯃꯗꯣꯝ ꯌꯥꯍꯤꯞ ꯌꯥꯇꯥꯐꯝ॥ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯂꯩꯉꯥꯡꯅꯥ॥ ꯅꯦꯝꯕꯤ ꯁꯤꯡꯅꯥꯡ॥ ꯐꯛꯂꯥꯡ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯋꯥꯏꯇꯩ॥ ꯌꯨꯝꯁꯥ ꯏꯡꯈꯣꯜ॥ ꯐꯩꯔꯣꯏ ꯁꯃꯕꯜ ꯀꯣꯅꯈꯥꯅꯥ॥ ꯀꯣꯔꯧꯊꯛꯀꯤ ꯑꯉꯧꯕꯥ ꯂꯩꯆꯤꯟꯒꯨꯝ॥ ꯋꯥꯆꯦꯠ ꯈꯥꯌꯅꯥ ꯏꯠ॥ ꯃꯤꯇꯝ ꯂꯥꯀꯅꯥꯁꯥ॥ ꯂꯤꯔꯦꯟ ꯀꯣꯔꯤ ꯃꯆꯨ ꯃꯥꯟꯕꯅꯥ॥ ●

# কুমজা ২০২৬ ন্যু য়রনা লাকপদা!



**হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৮৬**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঙসি দিসেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎ, মীতৈ থবান্দা হায়রগনা ৱাকচীংগী ১০/১১নি পানবা একাদশি, চহী লোইশিল্লকপগী/চহী হৌরকপগী অৱা-নুংঙাই ফোঙদোক্লবা মতমনি। হয়েংনা বাই-বাই, হংচীৎনা ন্যু য়র ২০২৬! খৃষ্টমাসতগী হৌরগা মালেম পূম্বগী ওইনা হরাও-কুম্মৈ, চাকচা হৈজানবা, মখল মখলগী কুম্মৈতনা পরেং লেংদুনা লৈরিবা মতমনি।

কুমজা ২০২৫গী ওইনসু ঙসি অসি নুমিৎ ৩৫৪শুবা গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরগী অরোইবা নুমিৎ অদু লাক্লে। হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগী ওইনা পুত্রদা একাদশি, বিষ্ণু দেবতাবু নীংজবশিংগী ওইনসু শেংলবা নুমিৎ অমনি। বিষ্ণু লাৎচবশিংনা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা চরা হেন্দুনা, বিষ্ণুবু খুরুমজদুনা বর নীজবা, হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদা য়াইফ থৌজাল পীবীনবা য়ূমগী ওইনা অৱাৎ-অপা লৈতনবা, লন থুম পীবিনবা নীজবনা মপূং ওইবা থৌরমনি। অয়ূক ঙন্না হৌগৎতুনা হকচাং শেংদোক্লগা ইরুজথোক্লবা মতুংদা বিষ্ণুগী মুর্ত্তিদা লৈ-শুনা লৈতেংদুনা তুলসি, ধুপ-থাওমৈ, হৈ-রা, শঙ্গোম, অথুম-অহাউ, শঙ্গোম অফম্বা, চিনি, খোইহি, ঘী কৎচদুনা খুরুমজরগা মন্ত্র শোনগনি- “ওঁম নম নরায়ন”, “ওমঁ নম ভগবতে বাসুদেবয়া” লোয়ননা লাইশোন ঈশৈ শক্কনি।

মালেম পূম্বগী ওইনা ফূরুপ অমগা ফূরুপ অমগা চৎন-লোনচৎ, লাইনীং লাইশোনগী মওং, ফিজেৎ-চাকচা, হরাও কুম্মৈগী মওং, চীঞ্জাক অমগা অমগা মান্নদে। বিষ্ণু লাৎচবশিংগী ওইনা চরা হেনবা নুমিৎ, মরূ-মরাং, হৱাই, হৱাই অশাংবী, তিল্হৌ, চনম ফাওবা চাদবা নুমিৎ অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদদি ‘নেশনল বেকন দে” পাঙথোক্তুনা ওকশা অয়াইবা চাবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসি ইমুং হুপ্না, মরুপ-মপাংশিং পুন্দুনা য়ু এসতা খ্বাইদগী পোপ্যুলর ফুদ ওইরিবা ওকশা অফুৎপা, অয়াইবা, স্মোক পোর্ক হরাউ তয়াম্না, নুংশি চান্ননা কলচরগী ওইবা চাবগী নুমিৎনি। চৎনবী, ত্রেদিশন, ফিজেৎ-চাকচা, লাইনীং-লাইশোন, কলচর হায়বসিসু অঙকপনি। মুস্লমান ধর্ম্ম চৎপা মুস্লিমশিংনা ওক চাদে। ষণবু পাম্না চানৈ। ষণবু ইন্টরনেশনল ফুদনি হায়নৈ। অমরোমদা হিন্দু ধর্ম্ম চৎপশিংনা ষণবু লাই ওইনা লাৎলি। বিষ্ণু লাৎপা হিন্দু ধর্ম্ম চৎপশিংগী ‘পুত্রদা একাদশি’ নুমিৎ অসিদা অমেরিকানশিংগীদি ওকশা অয়াইবা হাউনা চাবা নুমিৎনি। অমরোমদা ঙসাইগী হিন্দু চৎপশিংনা ষণবু লাইনি হায়দুনা নুংশিনা পুজা তৌদুনা লাৎচরগসু হিন্দু ধর্ম্ম য়ক লাউনা চৎলিবা কেরলাদা কেরেলাইট হিন্দুশিংনা ষণ থোংবা, তাউবা, ঙৌবা, ফুৎপা অসি য়াম্না পাম্না চানৈ। অদুবু নোর্থ ইন্দিয়াগী হিন্দুশিংদি ষণ চাদে। লাইনি খন্না খুরুম্নৈ। ষণবু ‘মাদর কাউ’, ‘গো মাটা’ হায়বদি নোর্থ ইন্দিয়াগী হিন্দু ধর্ম্ম চৎপশিংগী মচিন্দা পক্তুনা লৈরবা লাইশোননি। মসিগীসু মথক্তা ষণনা নন-ভাইওলেন্স, অহিংসাগী সিম্বল অমসু ওইরি। অসোমদা হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা কেরেলাইটশিংনা ষণ চানৈ হায়রগসু মহাবির জৈন ধর্ম্ম চৎপশিংদি শা-ঙা শুংচা চানদে। শা-ঙাদা নত্তনা য়েরূম ফাওবা চাদে। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ওজানা ৱারী লীবীখিবদা জৈন ধর্ম্ম চৎপশিংদি ককচেংফাও খোঙনা নেৎতে। শা-ঙা হাৎপা য়াদে। হয়িং ফাও হাৎপা য়াদে হায়না লীবিখি। নোংমা কালেন থাগী কাঙ য়াম্না চিকপা মতম, কাঙনা লান্দারকপা হায়গদ্রা ঙ্রুং-ঙ্রুং নাকোঙ ময়াসিদা শৌ শানা ৱারগী প্লেনগুম্না পাইশিল্লকপা নুমিৎ অমদা কাঙ অমা/অনী পোপ পোপ থাদুনা হাৎতোক্লুই। মতৌ অদুদা ইচানুপী অতোম্বীনা হায়রকই - “বাবা, কাঙদু হাৎতোক্লিবদু করিগীনো, নুংশিদ্রা? অদুম হায়না হাৎতোকপীরদি মখোয়দি করি চাদুনা/থক্তুনা হিংগনি।”

মসিনা কাঙ হাৎলুবগী ৱারীনি। তীল, কাঙ, হয়িং, ককচেংদগী হেন্দোক্তুনা মহিক ফাওবা হাৎলমগদবা মান্দবা জৈন ধর্ম্ম চৎপশিংগী চীঞ্জাক্তি হৈ-রা, মনা-মশিং, শঙ্গোমগী পোথোক অসি মঙায়রে। মখোয়গী অথুম-অহাউ হায়রগদি লদু-বেরা, জিলিবি, গুলা, শঙ্গোম, যোগ্রট, পানির, ঘী অসিনি। জৈন ধর্ম্ম চৎপশিংনা নন-ভেজ ওইবগী মথক্তা মরা পানবা রুট ভেজিটেবল-তিল্হৌ, চনম, আলু, গাজর ফাও চানদে। মরমদি পাম্বীগী মরু-মরা য়াওনা চাথোকখ্রগদি অহিংবা জীব পানবা (লিভিং বিয়িংস) হাৎতোকপা চিংই। মসিনা জীব পানবশিং মশীং হস্থহনবদা মতেং পাংবা ওইনা থোকই। মহাত্মা গান্ধীনসু পাম্না চৎচরম্বা অহিংসা, জৈন ধর্ম্ম চৎপশিংগী ৱাখলদসু অহিংসাদা থাজবা ওইনা আলু, তিল্হৌ, চনম্নচিংবা চাদবসিনা হিংসা তৌবা য়াদবা ধর্ম্মনি হায়বসিনি। আলু, তিল্হৌ, চনম মরূ লোইনা চাথোকখ্রগদি লৈবাক্তা থারগা হৌরক্লবা পাম্বী অমত্তা লৈররোই। তুম্না মুৎখ্রগনি অসিনি। জৈন ধর্ম্ম হৌদোক্লম্বা স্পিরিচুএল লিদর অমসুং রিলিজস রিফোর্মর ওইরম্বা মহাবির, ভর্দমান লাইপোক্লুলবা মহাক্কী ৱাখলগা কাঙগী লায়নানা লান্দারক্লবা - দেঙ্গী, কোভিদ-১৯, মলেরিয়াগী মতম অসিদা কাঙদা অহিংসাদি চৎনরক্তবা মতমনি। হৌজিক্তি কাঙ উবা য়াদে, ঙংবা য়াদ্রে, হাত্তোকউ সিতনি। মোরেরোমদগী লাকপা বেদমিন্টন বেট, রেকেট মানবা ইলেক্ট্রিক চিংহল্লগা পেদ্রেক পেদ্রেক লাউনা টেনিস, বেদমিন্টন শান্নবগী মওংদা বেটতু পায়রগা বোল য়ৈবগী মওংদা হাই-হুল্লদনা কাঙ য়াম্না হাৎনরম্মী। দোলান মথক, দোলান মখা, য়ূম্লক-কৈরক টেনিস বোল য়ৈনবা মানবা কাঙ হাৎনবা বেটতু ঙাক্তনি পায়নরল্লিবসি। মী অমা কাঙ হাৎনবা বেট অমা পায়র-পায়রগা থোক্লরকপা মতম অদুদা মপান লমদগী লাকপা ময়াং মচাশিংনা উরগা য়াম্না থাগৎপীরম্মী। হায়রমখি - ভেরি গুদ, মৈতৈ মচাশিং, মণিপুরীশিংসি স্পোর্টসতা থৱায় য়াম্না য়াওই ‘স্পোর্টস পৱার হাউস ওফ ইন্দিয়া’। শোমদা ঐখোয়না হয়িং, কাঙ হাৎনবা বেট্টরিগী বেট পায়রগা, কল্লগা, থোল্লগা কাঙ হাৎলিবনি হায়বা মখোয়না খঙপোত্তে।

মথক্তসু পঞ্জাখ্রে, ঙসি তারিখ ৩০ দিসেম্বর বিষ্ণু লাৎপশিংগী চরা হেনবা নুমিৎ অদুগা আমেরিকাদনা ওক চাবা নুমিৎ! হয়েং তারিখ ৩১ দিসেম্বর বাই বাই ২০২৫ অদুগা হেপী ন্যু য়র ২০২৬কী নুমিৎতুনা কমদৌবা। চাকচা হৈজানবা, লাংবা-খোৎপা, পিক্নিক, জগোয়-ঈশৈ, চাবা-থকপা, হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোকপা। গাড়ী য়াঙনা-য়াঙনা থৌবা নিশা চাবা নহাশিংসু খোইরেন মসা পাইরকপা য়ারি। বাই-বাই, ন্যু য়র নুমিৎশিং অসিদা য়েন-ঙানু, ওক-ষণ, হামেং, শা-ঙা মশীং খঙদনা তুমগদৌরি। নাকল অমরোমদনা মণিপুরদা চাকচা হৈজানবা, পিক্নিক থিংলি। ৱাকচীংগী ১২নি পানবা ইবেন্থৌ ঈমোইনু নুমিৎ, বাই-বাই ২০২৫কা ফাংনরবা নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্কনি হায়রিবা ঙা মেলাসু থিংদোক থিংজিন তৌরি। অদুবু থিংলুবদি য়ারোই জাৎ-জাৎ তৌনরক্কনি। লো পায়রিবা লৈঙাক্কী লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংনা ফ্রিস্কিং তৌদুনা, গাড়ী চেক তৌদনা থিংগদবা মঙায়। ঐগী ওইনদি ২০২৫ চহী লোইশিল্লকপগী কায়না বিদায় পীখ্রগা চহী হাপচিল্লকপগী ২০২৬ লাকপদা ঐহাক শিবগী লম্বীরোমদা চংশিল্লক্লে - ৱি আর এপ্রোচিং টু দেথ হায়গদবা মঙায়রে। অদুবু কুমজা ২০২৬কী ন্যু য়রনা লাকপদা হুইয়েন লানপাউ পুথোকপদা, পাউ খোম্বদা, ইবদা, নম্বদা, য়েন্থোকপদা থৌদাং লৌবিরিবশিং, পাউচে অসিবু পাবীরিবশিং অমদি নুংশিজরবা মীয়াম পূম্বদা পাউজেল অসি পীজরি -"May the New Year bring steady progress, good health and peace in everyday moments"। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১৩৫

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অদুগুম্বা লাইদুদা কৎপা পোৎলমশিংদু থোংলগা চহী অমগী মনুংদা অকক্লবা লোইদাম থা, থাদুগী মনুংদা অকক্লবা থাবান্দা লমলাইগীদমক য়ূমগী থোঙ্গাল/কোম্থোং (মীরোলদা-গেট) ৱাংমদা কৎপগী চৎনবী অমত্তা থেংনদে। থেংনদবনিনা লৈতে হায়বগা অমত্তনি।

“মীরম, মীতোপকী মরোলদা নব-অনৌবা, বর্ষ-চহী, আরম্ভ-হৌবা হায়বদি অনৌবা চহী হৌবা” হায়বসি মীগীসু, মশাগী ওইবা চৎনবী ওইনা লৈজরিবসিদা মীরম, মীতোপকী “ৱাহায় তপশিনবসি” য়াফম থোক্তবনা য়ানীংলোই। মখোয়গী লোলদা মীতোপকী লোলনা নামুংবা ওইনা থোকই হায়না লৌগনি। বেঙ্গলগী হিন্দু ওইগেরা, ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংগী হিন্দু ওইগেরা, মীতৈ/মৈতৈগী চৈরাউবা/চৈলাওবা হায়বসি মীরম হিন্দুগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনফম থোক্তে। খুদম ওইনা, হিন্দু (গৌর) চৈলাওবা/চৈরাওবা হায়বসিদা ইমালোলদা লোলয়ান ওইহল্লিবা ৱাহায়শিং - ‘হিন্দু অমদি গৌর’ হায়বসি চৈলাওবা/চৈরাওবা হায়বা সনামহী অমদি পাখঙবা লাইনীং লাইশোন চৎপশিং মীতৈ/মৈতৈগী অনৌবা চহী হৌবগা মমাঙগী চহী লোইবগা অনীগী তায়নববু শম্নহনবা ঈনাৎকী ওইবা থৌরমসিদা নামুংবা থোকহল্লিবসি থোকহন্দনবা মরী লৈনবা “ঈনাৎকী ইমালোল অমদি লাইনীং লাইশোনসিবু কন্নবা/য়োকখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা মীচম মীয়াম অমদি লূপশিংনা মরী লৈনবা মীচম মীয়াম অমদি লূপশিংদা নত্তনা বেঙ্গলদা ফোঙবা পঞ্জিকাশিং (মথক্তা পনখিবশিং) গী মরী লৈনবশিংদসু মরী লৈনদবা ৱাফমশিং মতুংদা অমুক হন্না শীজিন্নদনবা খঙহনবা মথৌ তাই হায়বা ৱাখল্লোনসি থমজরি।”

২) শ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা চৈরাওবসি করি থাগী করম্বা থাবান্দা পাঙথোকপনো হায়বসি লোৎশিল্লগা ই। কংলৈপাক, কোন্না মণিপুর কৌরকপা লমদমসিদা করম্বা মীওই ফূরুপনা চহী অমদা অমুক্তা ওইনা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈননা পাঙতোকপা থৌরমনো হায়বসিসু লোৎশিল্লগা ই। মসিগী ময়েক লারবা খুদম অমদি - “চহী লোইবা নুমিৎপু চৈরাওবা নুমিৎ কৌই। চৈরাওবা অসি চহী অরি অনৌ শিন্নবনি।” অমুকসু মীতৈ/মৈতৈগী চৈরাওবা হায়রম্বদগী লাইয়িংথৌ কিয়াম্বগী সনা হাক্তক্তগী চৈথোবা কৌরসি হায়না কৌখিবসিসু গৌরিয়া ধর্ম্ম (ইরোলদা-লাইনীং লাইশোন) শন্দোক্লম্বা বাংলাদেশতা পোকখিবা শ্রী চৈতন্য মহাপ্রভুগা মরী লৈনদবসিবু কান্নদবদা মরী লৈনহন্নবা হোৎনবগী মতাং, “অদুনা মণিপুরদা চহী লোইবা নুমিত্তা চৈ পায়দুনা লাউনরম্বগী মহুত্তা মীনা চৈথোবা হৌখিবসিনা চৈতন্য মহাপ্রভু পোকপদগী চহী অনীরোম হাল্লি।”

মতাংসিদা মরী লৈনবশিংদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি মৈদিংঙু কিয়াম্বগী সনা হাক্তক্তা মীরম হিন্দুগী ইথিল লৈত্রিঙৈ, কংলৈপাক্কী মমিংসু মীরমগী মরোলদা মণিপুর (হায়বদি মীরম মচা শান্তিদাসনা থোনবা মিং) কৌদ্রিঙৈগী মতমদুদা চৈলাওবা/চৈরাওবা হায়রম্বদগী চৈথাবা হায়রগা চৈথারোল কুম্বাবা কৌবা পুয়া ইবা হৌখিবসি শজিফু নোংমা পানবদনি। মতমদুদা হিয়াংলোই কৌবা নিপাসিনা অহানবা চৈথাবা নিপা ওইখিবনি। হায়রিবা মতমসিদা গৌরিয়া লাইনীং লাইশোন (মীরোলদা-ধর্ম্ম) শন্দোক্লম্বা মীরমগী লাইনি হায়নরিবা শ্রী চৈতন্য মহাপ্রভু পোকত্রিঙৈ চহী অনী মমাঙদনি হায়না শ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র মশানসু ইদুনা হায়জরম্বনা “হৌজিক গৌর হিন্দু/হিন্দু গৌর হায়না বেঙ্গলদা ফোঙবা পঞ্জিকাশিংদা, বাংলাগী চৈত্র সংক্রান্তি/চড়ক পুজা নুমিৎতা হিন্দু (গৌরা) চেইরাওবা (মণিপুর) অমদি চৈরাওবা (গৌর) মণিপুর হায়না ইরিবশিংসি মতমদুদা চৎনদ্রিবনিনা, মীরমগী লোল হায়বদি হিন্দু অমসুং গৌরা হায়বসিনা ইমালোলদা (মীতৈলোলদা) লোলয়ান ওইহনফম থোক্তে হায়বসি ময়েক শেংলক্লি।”

৩) ইরমদম কংলৈপাক, কোন্নথংদা মণিপুর কৌবসিগী য়ূমথোঙ খুদিংদা সনামহী লাইয়িংথৌ লাৎপা খুদিংমক্কী য়াইফনবগীদমক শজিবুগী ৭নি পানবা নুমিৎতা ফোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদা - মতমগী মণিপুর খূৎপায় (মঙাশুবা ফোঙবা) অমদি রাজ মন্ত্রী পাবা (তাং ১৪/৪/২০১০) হায়রিবা অনীসিদগী মখাগী অসুম্না থমজরি।

মতমগী মণিপুর খূৎপায়দা শজিবুগী ৭নি পানবদা পাঙথোকপা থৌরম অসি করিগীদমক লমদম অসিদা পাঙথোক্লিবনো হায়বা তারগদি মমাংথক্কী নিংথৌরোলশিংগী মতমদা চহী লিশাং শিৎনা মাইচৌশিংনা কায়দনা তৌদুনা লাকপা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী থৌরমসি কংলাদা পানখিবা নিংথৌ কুপত্রেং সেনত্রেং মচিন মনাও অসিগী মতমদা থাজবু থাওন্নবা অমদি কুমবু কুমওন্নবগী থৌদোক অমখক থোকখি। লৌউ শিংউবগা লৌপান থা ওন্নরকপদগী লৈপাক অৱাবা ওইরকপদগী কংলাগী লৈথোংদা, লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী থৌরমদু হোংদোক্তুনা ঈরিল তুরেলগীনা মনীং কোংবা তুরেলগীনা মমাঙদা লৈবা কোংবগী মফম অসিদা থোংদুনা মচিন মনাও অনীনা কুমদুগী চহীগী কুম্বা অনৌবদা থাজ ১২দা লাক্কদবা ফত্তববুনা লৈরোল ৯ (মাপল) দা চঙহনখি। মসিবু কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবা হায়না কৌই।

থৌরম অসি তাং ২৮/০৩/২০২৩, শজিবুগী ৭নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদা মণিপুর পণ্ডিট লোয়শঙ (মরূ লোয়শঙ) গী মহৌশাদগী চৎনরক্লবা গুরু অহুমগী কায়ফদ্রবা কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী থৌরম কোংপাল নাওরোইবম লৈকায়গী মনাক্তা লৈবা অঙোম পোকপা অমদি নিংথেম পোকপগী লাইফমদা লৈবাক্কী য়াইফনবা ঈরাৎ থৌনিগা লোয়ননা মণিপুর পণ্ডিট লোয়শঙ (মরূ লোয়শঙ) পণ্ডিট অমাইবশিং কুমদুনা থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বসিনি। ●

# ‘দিসেম্বর ৩০, ১৯৩৮গী চীংঙা সেশনদা মিৎয়েং অমা’ - ১

**- তোম্বী চনু -**

ইরমদমসিগী তংদু লৈতাদ্রবা, য়েংঙু য়েংঙুবা খুদিং অৱাৎপা, কায়থরকপনা থল্লবা, হিরম অমতদসু সিমদি হায়দুনা মশিং থাবা য়ারক্ত্রবা মতমসিদা মতমগী খোঙচৎনা পুদুনা লাক্লে, মণিপুরগী পুৱারীদা মুৎপা নাইররোইদবা সনাগী ময়েক্লা হক্তুনা লৈহৌরগদবা মণিপুরগী অহানবা পোলিটিকেল পার্টি লিংখিবা “চীংঙা সেশন দিসেম্বর ৩০, ১৯৩৮”।

নীংশিংলুবদা তুজুংবা ফাওই, মতমদুগী খুন্নাইগী মশক ৱাখলনা লামশিল্লুবদা মিৎতা শংশঙ উরকই। মতমদুদা মীচম মীয়ামগী অৱাবদি করিনা খুদম পীরুগনি। পোক্লফম লমদম ইরৈবাকসিদা ইনিং তম্না চৎপফাও ফংজদ্রবা ময়ুম মৈ থাদোকপীদুনা তাম্থোক্লকপদগী মখুঙ্গং মরৈকাইদা হনজিনবা ফংজদ্রবা, শুফম নোমফম লৈত্রবা, মফম খুদিং হুরানবা খুৎপুশিংগী মখাদা লৈরক্লবা, পোৎকী মমলনা অতিয়া পক্লক্লবা মতমসিগী অৱাবনা শোক্লুবা ঙম্বা নত্তে।

ঙসিগী চাওখৎলবা টেক্নোলোজিগী খম থেংলক্লবা এ আইগী মতমসিদা মীওৎ মীনৈগী চাংদি হেন্না ৱাংখৎলক্লি, অদুবু মতমদুগী বৃটিশ ইম্পরিয়েলিষ্টকী মখাদা নিংথৌ লৈঙাক্কী মীওৎ মীনৈদি করি ওইরমগনি? মতমদুগী খুন্নাইগী থাক্তি কয়াগী মতিক হস্থরমগনি। মদুমক্লনি লমদমসিগী মীথোইবা মীয়ামগী অমতা ঙাইরবা লুচিং পুরেল হিজম ইরাবত থোক্লকখিবসু।

মীৎয়েং শানবা, মরৈবাক মফুরুপ্পু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা মীনা মীবু ওৎপগী চৎনবী মরু ফংনা মুখৎনবা হোৎনরম্বা মহাকনি। অপুনবা মণিপুর অমগীদমক হনবা লৈতনা থেংনখিবা, লাইনিংনা মরম ওইদুনা মীশিংগী মরক্তা খারিবা পল নমখাইদুনা চীংমী তম্মীগী অপুনবা শাগৎপীখিবা তোমথিন ঙানবা লুচিংবনি। মরৈবাক মণিপুর কন্ননবা মপুন্সি চুপ্পা অন্দরগ্রাউন্দ তাখিবা, লায়রবশিংগী মরুপ লমদমসিগী অমতা ঙাইরবা লময়ানবা লুচিংপুরেল মহাক্কী মফমদি কনানসু মহুৎ শিনবা ঙল্লরোই।

ইরৈবাক মণিপুরগী অপুনবা শক্তম (ইন্টিগ্রিটি) দা শিংনবা, হু কামশিনবসি মণিপুরনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রিঙৈ বৃটিশ ইম্পরিয়েলিষ্টকী মখাদা লৈরিঙৈদনা বৃটিশনি হায়বসি পুন্নমক্লা খঙনরিবনি। অদুবু ইরাবতনা মতম চানা চীং অমসুং তম অনিগী থানবা য়াদ্রবা মরিশিংবু নিংথিনা পুখৎখি। মহাক্কী লিচিং মখাদা মতমদুগী ফুরুপ খুদিংমক্কী লুচিংবশিং পুন্না লেপমীন্নখিবদগী বৃটিশকী মণিপুর থুগায়নবগী হু ময়াই চমদুনা নুংশি চান্নবা অপুনবা মণিপুর অমা ওইরক্লিবনি।

বৃটিশকী মখাদা লৈবা লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীবা অৱাবা, মপুং ওইনা তম্পাক্তা খুন্দারিবা মীতৈ হিন্দুশিংগী মফমদদি অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি। হিন্দু লাইনিংনা খম থেংনা কনবা মতম ওইবনা অমাং-অশেং, শাগৈগী অনেম অৱাংসু খম থেংনা খায়রিবনি। ব্রহ্মসভা হায়বা ধর্ম্মগী লূপ অমদা নিংথৌনা মতিং পীদুনা হিন্দু লাইনিংগী চৎনবী শেমখিবদগী ময়াম্বু মাংই-শেংই তোইনা ইন্থোক ইনশিন তৌখিবনা মীয়ামদি হা-কা লাওনা ৱানখি। অমরোমদা মীচম মীয়াম্বু অমুক্কা হেন্না অৱা চৈথেং পীরিবদি খুঙ্গংগী লৌমীশিংদগী অঙম অথৌ লৌপুশিংনা লৌফম তোইনা শৎপা, লৌপুগী চাওখ্রবা শঙবায়দা ওন্দুনা লৌনিংবতা লৌবা লৌশাল, য়ারেক শন্ত্রি, পিয়ন অমিনগী চাকথাক, পোৎথাং পুবা, দোলাই লেঙ, পাৎ উমংশিং নিংথৌগী মরলনি হায়দুনা শোকউবা য়াদবা, চন্দন শেনখায় লৌবা অসিনচিংবা কয়ানি।

নিংথৌ লৈঙাক্লা মীচম মীয়াম্বু মাইকৈ খুদিংদা অৱাবা পীবগী মায়োক্তা ইরাবতনা থেঞ্খাং খুদিং থেংনদুনা লাকপনা মহাকপু লাকশিন্নবা য়ান্না হৈশিংনা কুমজা ১৯৩৪দা নিংথৌনা প্রসিদেন্ট ওইরগা “নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা” লিংখৎখি। ভাইস প্রসিদেন্টগী ফম্বুনা ইরাবতপু হাপখি। মসিমক্লা ওৎপীরবা মীচম মীয়ামগীদমক কৎথোক্লবা লেপখ্রবা ইরাবতপু খুদুম চনবদি ঙমখিদে।

কুমজা ১৯৩৮গী দিসেম্বর ২৯-৩০ দা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ৪শুবা কনফরেন্স চীংঙাদা ফমখি। অদুবু চহিদুমক্কী অঙনবা শরুক্তা অমাং-অশেংগী কেস অমা তৌনখিবদা ইরাবতনা মায় পাকখিবদগী নিংথৌ অমদি ব্রহ্মসভাগী মীওইশিংদি থৌতক চাখিবা অমসুং পোলিটিকেল পার্টি ওনগদবগী চিংনবসু লৈখিবনা চীংঙা সেশন্দা শরুক য়াখিদে। ইরাবতনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা ফমখিবা সেশন অদুদা “নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা” মমিং ওনখি। হিন্দু হায়বা ৱাহৈ লৌথোক্তুনা “নিখিল মণিপুরী মহাসভা” হায়না মমিং থোনখি। লাইনিংগী খেন্নবা লৈতনা চীং অমসুং তমদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকপু কোনশিন্দুনা অহানবা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি লিংখৎখি।

–মখা চথজরকখিগনি